

# সনালৈবাক স্পোর্টস



FRIDAY, DECEMBER 27, 2013, PAGES 7

*ৱার্ল্ড টেনিসতা হন্দক চহীদা চেম্পিয়ন ওফ দি চেম্পিয়নগী মনা ফংখ্রবী য়ু এসকি সেরিনা ৱিল্লিয়মনা ট্রোফি লৌবা*

*চেন্নাই ওপদগী শান্নবা য়াওররোই হায়রিবা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন জানকো টিপসারবিক*

## ইন্দিয়ান রেষ্টলিংদা নহাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরক্লি

*ন্যু দিল্লী, দিসেম্বর ২৬ ঃ*

ইন্দিয়ান রেষ্টলিংদা অফাওবা মীয়াম্না পান্নবা রেষ্টলর কয়ানা মশা শোক্তুনা লৈখিবা মতমদা নহা ওইরিবা রেষ্টলরশিংনা মখোয়গী অহাঙবা শরুকশিং অদু মেনখৎনবা কন্না হোৎনরক্লি।

নহাশিংনা লৌরক্লিবা থৌদাং অসি য়াম্না চাউই। মখোয়শিংগী মনুংদা অফবা রেষ্টলর অমা ওইবদা নত্তনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন কয়াদা অচৌবা ফিব্দা কন্ননবা চোংথোরক্লিবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা অমিট কুমার, বজরং অমসুং সন্দিপ মমিং পনবা য়াই।



ইন্দিয়াগী ওইনা ওলেম্পিক্তা মেদল লৌরকখিবা রেষ্টলর সুসিল কুমার অমদি যোগেশ্বর দত্তা মখোয় মখোয়গী ৱেথকি চেম্পিয়নসিপতা লেঙজুম অমদি খুউ শোকখিবনা মরম ওইদুনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন খরদা শরুক য়াখিদে। অদুমওইনমক ইন্দিয়ান রেষ্টলরশিং অসিনা ৱার্ল্ড চেম্পিনদা শরুক য়াদবা মতমদা মখোয়বু পামজবা মীওই কয়ানা করি মরমগী ৱাওদ্রিবনো হায়বনচিংবা ৱাহং কয়া হংলক্তবা নত্তে। অদুম ওইনমক নহা ওইরিবা শান্নরোই কয়ানা ইন্দিয়ান রেষ্টলিং অসিগী মহাও পীন্নবা হেন্না কন্না শান্নখৎলক্লি।

মশাগী চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবা অমিট কুমারনা লণ্ডন ওলেম্পিক্তা শরুক য়াবা ঙমখি। মসিগী মখা তানা সেপ্তেবর থাদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নদা ফাইনেল ফাওবা য়ৌবা ঙমখি।

মহাক্না মহাক্কী লম্বা অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনরবসু ফাইনেল রাউন্দ অদুদা সিলভর মেদল ফংখিবা কেজি ৫৫ গী শরুক্তা ফাইনেল চঙবা রেষ্টলর অমা ওইবা ঙমখি।

অমরোমদা কেজি ৬০ গী কাঙলূপতা শরুক য়ারম্বা জোগেশ্বর দত্তনা শোক্তুনা লৈবা মরম্না মহাক্কী মহুত্তা বজরংনা মহাক্না শরুক য়ারম্বা কাঙলূপ অদুমক্তদা শরুক য়াবগা লোয়না ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অদুদা ব্রোঞ্চ মেদল ফংবা ঙমখি।

ফ্রি ষ্টাইল অসিদা বজরংনা শরুক য়াদুনা যোগেশ্বরগী অহাঙবা অদুবু মেনগৎপা ঙমখি। জেকি ৬৬ কী ফ্রি ষ্টাইল কাঙলূপতা মশাগী চহী ২৫ খক্তা ঙাইরিবা সন্দিপনা গ্রেকো রোমান ষ্টাইলদা ব্রোঞ্চ মেদল ফংবা ঙমখি।

মসিদসু নত্তনা ইং ২০০১ দগী হৌনা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংনা বুলগেরিয়াগী সোফিয়াদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপতসু মুখেস খত্রিনা মঙাশুবা পোজিসন তাবা ঙম্লকখি। মুম্বাইদা বেজ তৌবা রেষ্টলরশিংনা ৱার্ল্ডগী চেম্পিয়নসিপ কয়াদা লৈবাক অসিগী ইতিহাস শেমগৎপগা লোয়ননা অফাওবা রেষ্টলর কয়াবু মায়থীবা পীবা ঙম্রি। মখোয়গী মনুংদা সাইবেরিয়াগী আলেকজেন্দর মার্ক্সিমোবিকসু য়াওখি।

## ইন্দিয়ান হোকি লীগতগী অফবা শান্নরোই পুথোক্লি

*ন্যু দিল্লী, দিসেম্বর ২৬ ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোক্লিবা হোকি লীগশিংদগী অফবা শান্নরোই কয়া লেপ্পা লৈতনা পুথোকপা ঙম্লক্লি। ইন্দিয়াগী নুপী শান্নরোইশিংনা নুপা শান্নরোইশিংদগী হেন্না মশক নাইবা শান্নরোই ওইরকপগী তাঞ্জা অমা চহী অসিদা মীয়াম্না থেংনরক্লি।

জর্ম্মনিগী মোনচেঙলদবাচতা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপতা জুনিয়র ৱুমেন্সকি টিম্না য়াম্না তহা তহাদবা মওংদা টিমগী ফোর্মেসন কায়দনা শান্নখিবনা মেটচ অদুদা ইতিহাস শেম্বা ঙমখিবগা লোয়ননা ব্রোঞ্চ মেদল ফংলকপা ঙমখি। মসিনা ইন্দিয়াগী নুপী জুনিয়র টিম্না ইন্দিয়ান হোকিগী অনৌবা মায়থোঙ অমা ৱার্ল্ডদা উৎপা ঙমখি।



মসিদা টিম অসিবু লুচিংখিবা অসি মণিপুরদগী হৌখিবী সুসিলা চনুগী মখাদা ইংলেণ্ড টিমবু মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা ইহান হানবা ওইনা ৱার্ল্ড কপতা মেদল ফংবা টিম ওইবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহুমশুবা পোজিসন ফংলকখি।

ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম অসিনা কপ অসিগী সেমি ফাইনেল মেটচতা কোরিয়াগী মখুত্তা পেনাল্টি সুট আউটতা লৈহৌদুনা থার্দ কপগী মেটচ অসি শান্নখিবনি। অদুম ওইনমক টিম অসিনা কপ অসিদা অহুমশুবা পোজিসন ফংলকখিবা অসি অচৌবা কম্পিটিসন অদুদা মায় পাকপগী খুদম অমদি ওইবা ঙমখি।

মসিদা নত্তনা ইন্দিয়াগী সেনিয়রগী টিম্না পাঙথোকখিবা এসিয়ন কপ অমদি এসিয়ন চেম্পিনসিপ ট্রোফিদা ব্রোঞ্চ মেদল অমদি সেলভর মেদল ফংবা ঙম্লকখিবা কয়া অসিনা মখোয়নসু নুপীগী টিম অসিগী মগুণ ঙাক্তুনা লৈরি।

অমরোমদা জুনিয়র ৱুমেন্সশিংনা জর্ম্মনিগী ৱার্ল্ড কপতা থার্দ প্লেস ফংলকপা অসিবু চেলেঞ্জ তৌবা ওইনা জুনিয়র বোইস টিম্নসু মালেসিয়াদা পাঙথোকপা সুলটান ওফ জোহোর কপতা টাইটল ফংলকখিবা কয়া অসিনা হৌজিক ইন্দিয়াগী হোকি টিমশিংদা অফবা শান্নরোই কয়া থোরক্লি হায়বা য়াই।

অদুমওইনমক ইন্দিয়াগী নুপা টিম অমদি টিম অসিবু লুচিংলিবা মনপ্রিট সিংহনা লুচিংবা টিম ১৬ না শরুক য়াদুনা শান্নবা ৱার্ল্ডগী ওইবা হোকিগী চেম্পিয়নসিপ অমদা ১০ শুবা পোজিসন ফংলকখিবা অসি লাইবকথীবনি। সদার সিংহনা লুচিংবা টিম অসিনা ইন্দিয়াগী মেজর ধ্যানচান্দ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা এফ আই ঐচ ৱার্ল্ড লীগকি অনীশুবা রাউন্দদা মায় পাকপা ঙম্বগা লোয়ননা হোকি ৱার্ল্ড কপতা ইন্দিয়া ক্কালিফাই ওইবা ঙমখিবা অসিসু ইন্দিয়াগী নুপা টিম্না লৌখিবা অচৌবা থৌদাং অমনি।

অমরোমদা টিম অসিনা হোকি ৱার্ল্ড কপতা ক্কালিফাই ওইবা ঙম্লগসু মালেসিয়াদা পাঙথোকপা এসিয়ন কপতা কোরিয়াগী মখুত্তা ফাইনেলদা মায়থীবা নংখি।

## ঝরখন্দগী দিপিকানা নুপীগী, পঞ্জাবকি অটানৌনা নুপাগী টাইটল লৌখ্রে

*জমশেটপুর, দিসেম্বর ২৬ ঃ*

জমশেটপুরগী জে আর দি টাটা স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চত্থরিবা ৩৪ শুবা সেনিয়র নেসনেল আর্চরি চেম্পিয়নসিপতা ঝরখন্দগী দিপিকা কুমারীনা রিকপ্তা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে। অদুগা পি এস পি বিগী অটানৌ দাসনা ওলেম্পিক রাউন্দদা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে। কম্পাউন্দ আর্চরিদনা ঝরখন্দগী ঝানু হান্সনা অমদি রাজস্থানগী রজট চৌহাননা নুপা অমসুং নুপীগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।



দিপিকানা ফাইনেল রাউন্দদা গুজরাটকি ভি প্রনেথাবু মায়থীবা পীরমখিবনি। মহাক্না পোইন্ট ৬০৪ ফংবগা লোয়ননা ৬ লক চেম্পিন ওইখ্রবা প্রনেথাবু মায়থীবা পীখিবনি। মায় পাক্লবা দিপিকানা ফোঙদোকপদা মহাক্না প্রনেথাগা লম্বা তৌদুনা কাপনবা অসি য়াম্না নুঙাই মসি মহাক্না মতম কুইনদগী খঞ্জরকপা আশা অমনি। মসিদা মহাক্না প্রনেথাবু মায়থীবা পীরম্বা অসি মহাক্কী খ্বাইদগী হেন্না নুঙাইবা অমনি হায়খি।

টাইটল অসি ফংলবা মতুংদা মহাক্না মাঙদা লাক্লিবা এসিয়ন গেমস অসিদা শরুক য়ানবা মিৎয়েং থমদুনা মখা তাবা থৌরাংশিং লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোকখি। লোয়ননা মহাক্কী ষ্টেটকি অতোপ্পা শান্নরোই রিনাকুমারীনা ইভেন্ট অসিদা অহুমশুবা পোজিসন ফংখি।

নুপাগী কাঙলূপতা মশাগী চহী ৩৮ শুরবা এস এস সি বিগী মুনিরাম ট্রিকি অসি ১৯৯৯ দা পাঙথোকখিবা নেসনেল চেম্পিয়ন অসিবু দাসনা লম্বা তৌখি। আর্মিগী প্লেয়র অসিনা হৌরকপদা য়াম্না চেকশিন্না মাঙজিল থাদুনা লাকখি। অদুবু দাসনা মহাকপু মায়থীবা পীখি।

নুপাগী কাঙলূপ অসিদা বিহারগী চুরাচরন বেষ্টরনা ঝরখন্দগী গুরুচন্দ সিংহবু মায়থীবা পীখি। হৌজিক ফাওবদা ঝরখন্দনা গোল্ড ১০, সিলভর ২ অমদি ব্রোঞ্চ ৫ ফংদুনা চেম্পিয়নসিপ অসিগী টোপ পোজিসন্দা লৈরি। টিম অসিগী মতুংদা এস এস সি বিনা গোল্ড ৩, সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্চ ৩ ফংখ্রে। পঞ্জাবনা গোল্ড ১, সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্চ ৪ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈখি।

রিকপকি মিক্স টিমদা ঝরখন্দগী জয়েন্ত টুলাকর অমদি দিপিকা কুমারীনা গোল্ড মেদল, আসামগী সঞ্জোয় বোরো অমদি মানুৱা নজরিনা সিভল মেদল অদুগা পঞ্জাবকি লবজোট সিংহ অমদি মধুনা ব্রোঞ্চ মেদল ফংখ্রে।

টিম ইভেন্টতসু ঝরখন্দগী নুপীশিংনা মাঙজিল থানা চৎলি। অদুম অদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিং অদুদি দিপিকা কুমারী, রিনা কুমারী, সিটা রাণী টুদু অমদি আসারাণী হোরোনি। মখোয়না হৌজিক ফাওবদা পোইন্ট ২০৩ লৌদুনা মাঙজিল থানা চৎলি। মখোয়গী মতুংদা চৎলিবা পঞ্জাবকি টিম অসিনা পোইন্ট ২০২ ফংবা ঙমখ্রে।

টিম অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিং অদুদি মধু, প্রিটি, প্রিয়াঙ্কা অমদি কোমল শর্ম্মনি। অহুমশুবা পোজিসন্দা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী টপাসি মন্দল, অন্টরা বক্সা, রিমিল হেম্ব্রম অমদি রেসমা বেনর্জিনা পোইন্ট ২০১ ফংবগা লোয়ননা ব্রোঞ্চ মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

নুপাগী কাঙলূপতা এস এস সি বিনা পোইন্ট ২১৯ ফংদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে। টিম অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা ওলেম্পিক্তা শরুক য়ারুরবা টরুনদিপ রাই, বিশ্বাস, এম আর ট্রিকি অমদি গগন কনৱারনি।

আসামনা পোইন্ট ২১৪ ফংদুনা নুপাগী টিম ইভেন্ট অসিদা অনীশুবা পোজিসন লৌবা ঙমখ্রে। টিম অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিং অদুদি সঞ্জোয় বোরা, রজিব, বাসুমিট্রা, স্বালমালবোরা অমদি হেমলেট বাসুমিট্রানি। হিমাচল প্রশেনা টিমগী অহুমশুবা পোজিসন তাখি মখোয়না পোইন্ট ২০৩ ফংবা ঙমখি।

## বোল নীংথিনা উদবদগী মেটচ মখা তাখিদ্রে

*কিংসমেদ, দিসেম্বর ২৬ ঃ*

ইন্দিয়া অমদি আউথ আফ্রিকা লৈবাক অনীগী ওইবা অহানবা টেষ্ট মেটচ অদু দ্রো ওইরবা মতুংদা ঙসি মখা তানা অনীশুবা টেষ্ট মেটচ শান্নবা হৌখি। মঙাল নীংথিনা উদবদগী ওভর ৬১ শান্নরবা মতুংদা মখা তানা মেটচ শান্নখিদ্রে।

জোনেসবক্তা শান্নখিবা ইন্দিয়া অমদি আউথ আফ্রিকা লৈবাক অনীগী ওইবা টেষ্ট মেটচ সেরিজ অদুগী অহানবা টেষ্টতা টিম অনীমক্না রেন চপ মান্নবা লৌদুনা দ্রো ওইখ্রবা মতুংদা ঙসি মখা তানা মেটচ শান্নবা হৌরকখি।



ঙসিগী মেটচ অসিদা ইন্দিয়ানা ওভর ৬১ শান্নবা লোইবা ফাওবদা ৱিকেট অমা তুবদা রন ১৮১ লৌবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা মুরলি বিজয়না রন ৯১ অদুগা চিটেশ্বর পুজারানা রন ৫৮ লৌদুনা লৈরি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদা ঙসি ওপনর ওইনা সিকারা ধৱন অমদি মুরলি বিজয়না শান্নবা হৌরকখি। মেটচকি মরিশুবা ওভরদগীনা ৭ শুবা ওভর ফাওবদা মুরলি বিজয়না ইন্দিয়াগী মায়কৈদা রন কয়া লৌবা হৌরকখি। ওভর ৭ লোইবা ফাওবদা ইন্দিয়ানা রন ৩৩ লৌবা ঙমখি। মসিদা বিজয়না রাহুল দ্রাবিটকুম্না তোঙনা তোঙনাবা মায়কৈদা মাউন্দরি কয়া লৌখি।

ধৱনসু কোভর দ্রাইবনচিংবা কয়া নীংথিনা শান্নদুনা ইন্দিয়াগী রন ৱাংখৎনবা হোৎনখি। মেটচ হৌখ্রবা মতুং পুং ৪ গী মতমদা ওভর ১৩.১ দা ধৱন মোরেন মোর্খেলগী বোল অমদা থার্দ স্লিপতা লৈবা অলভেরো পেটরসন্না ওক্তুনা ফোর ট্রাই তৌরকপা কট অমদা আউট ওইখিবনি। হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অহানবা ৱিকেট দাউন তৌখ্রবা মতুংদা মখা তানা মেটচ শান্ননবা চিত্রেশ্বর পুজারা থোরকখি অমসুং মখা তানা মেটচ শান্নরকখি। টি ব্রেক মমাঙ ফাওবদা ইন্দিয়ানা ওভর ৫৩ শান্নবদা রন ১৬৩ লৌদুনা ৱিকেট অমা তুদ্দুনা লৈখি। ৬১ শুবা ওভর লোইবা ফাওবদা ইন্দিয়ানা রন ১৮১ লৌরবা মতুংদা ৱেদর ফত্তবনা মরম ওইদুনা মখা তানা মেটচ শান্নবা য়াদবদগী অম্পয়ারনা ওভর ৬১ দা মেটচ লোইশিনখি।

## ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা টিমশিংনা টোপ ওইনবা চাংয়েংনগদৌরি

*লণ্ডন, দিসেম্বর ২৬ ঃ*

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকি হৌজিক চত্থরক্লিবা মেটচশিং লোইশিল্লক্কদৌরবা মতম অসিদা টিমশিংগী মরক্তা টোপ ওইগদবা অসি য়াম্না নক্না লৈনবনা মরম ওইদুনা টিমশিংগী মনুংদা অচৌবা চাংয়েং অমা তৌগদৌরি।

হৌজিক ফাওবদা লীগ অসিগী টোপ ওইনা চৎলিবা টিমশিংগী মনুংদা টিম অমগা অমগা খেন্নরিবা পোইন্ট অসি শুপ্নগী পোইন্ট অনী অনীখক ওইরি। খৃষ্টমাস কুম্মৈগী মমাঙ ফাওবদা লোইশিনখিবা লীগকি মেটচতা টোপ মঙা ওইরিবা টিমশিংগী মরক্তা য়াম্না চাউনা খেন্নবা লৈখিদে।

অদুমওইনমক অর্সনেলনা পোইন্ট ৭ হেল্লগা লৈরিবা টোটিহাম হোষ্টপুর শান্নবগী তাঞ্জা অমসু লৈগনি অমদি ৮ শুবা লৈরিবা মনচেষ্টর য়ুনাইটেদকা শান্নবগী তাঞ্জাসু পীগদৌরি। হৌখিবা নিংথৌকাবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা চেলসিগা আর্সনেলগা গোল চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি।

লিভরপুলনা খৃষ্টমাস মাঙওইননা শন্নবা মেটচতা টোপ ওইবা ঙম্বসি হন্দক্কি অসিনা অনীরকশুবনি, মমাঙদা ইং ২০০৮ দসু মখোয়না টোপ ওইবা ঙমখ্রে। তৌইগুম্বসুং মখোয়না শগোলশেন নুমিত্তা মঞ্চেষ্টর সিটিগী সাইটতা চত্তুনা শান্নগনি। লিভরপুলনা মখোয়গী হোম মেটচ ওইনা শান্নবা মেটচ ৮ মক মায় পাকপা ঙমখি অমসুং হৌজিক ফাওবদা গোল ৩৫ চনবা ঙমখি।

অমরোমদা মঞ্চেষ্টর সিটিনা ফুলহাম্বু গোল ৪–২ দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। মখোয়গী অরোইবা মেটচ ইটিহাদ ষ্টেদিয়মদা লিভরপুলগা শান্নগনি হায়না মেনেজর রোজরনা ফোঙদোকখি। খৃষ্টমাসকা মরী লৈননা মীয়ামদা করিগুম্বা অমত্তা পীবা ঙমদে। অদুবু টিম অসিনা লিভরপুলগা শান্নবা মেটচ অসিনা মীয়ামদা খুদোল তম্বা অমা ওইগনি হায়নসু মেনেজর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মেটচ অসিনা সিজন অসিগী অরোইবা ওইগনি অদুবু মসিদা মায় পাক্লবা হোৎনবা হায়বসি অকনবা চাংদা হোৎনবা দরকার লৈ হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি। টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোইশিং ষ্টেবেন জেরাদ, দিনেল অমসুং জোসি হৌজিক শোক্তুনা লৈরি।

গোল ১৯ চন্দুনা টোপ ষ্টোলর লুইজনা পীখিবা শিংথানিঙাই ওইবা য়াবা পার্ফোমেন্স কয়া অসি মীয়াম্না হন্দক্কি সিজন অসিদা খঙনখ্রবনি।



টিম অসিগী লিদিং ওইনা শান্নরিবা প্লেয়রশিংগী মনুংদা সর্জিও অসি মতম খরা মপান্দা চৎখিবনা মরম ওইদুনা লৈরি। অদুমওইনমক লিভরপুলনা টোটিহাম্বু ৫–০ দা থোইখিবা অসিনা মখোয়গী মপান্দা চৎলগা শান্নবা মেটচকি অরোইবনি হায়খি।

রোজরনা মখা তারদুনা লিভরপুল অসি য়াম্না ফবা টিম অমনি অমসুং টিম অসিদা য়াওরিবা নুইজ অসি অফবা শান্নরোই অমনি। মহাক্কী এক্ট কয়া অসিসু শীংথানঙাই ওই হায়খি। টিম অসিগা শান্নবদা ঐখোয়না অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা মখোয়দগী গোল ২ হেন্না মাঙজিল থানা চৎনবা হোৎনগনি।

টিম অসি হৌজিক লিভরপুল নৎত্রগা মঞ্চেষ্টর সিটিগা শান্নগদ্রা হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি অদুবু টোপ পোজিসন তান্নবগীদমক টিম ৫ নৎত্রগা ৬ কা লম্বা তৌদুনা থেংনগদৌরিবনি হায়খি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা আর্সনেলনা অনীশুবদা লৈরি, মসি গোল খেন্নবদনি।

CHEM
DISTANCE EDUCATION
(CENTRE FOR HIGHER EDUCATION MANIPUR)
*Authoriszd host Institute of Lovely Professional University, Punjab*
Recognized by UGC
Regulatory Body of Govt. of India for Open and Distance Learning System)
Vide F.No. UGC/DEB/Decog./2013 (1233-1237)
PROGRAMMES OFFERED
COMPUTER APP./ IT/ COMP. SC. :
MCA* ,M.Sc. IT *,M.Sc.CS*, PGDCA,PGDIT,PGDCS, BCA* ,B.Sc.IT*, B,Sc. CS*, DCA,DIT,DCS,
COMMERCE :
M.Com,B.Com
MANAGEMENT :
MBA*,PGDBM,BBA*
LIBRARY & INFORMATION SCIENCES :
MLIS,BLIS,DLIS
ART (in English & Hindi Medium :
M.A
(Hindi, Economics, Education, History, Sociology, Political Science, English, Mathematics) B.A
Affordable Fees Structure
*LATERAL ENTRY & MIGRATION ALSO AVAILABLE
Prospectus and Application Forms are available at:
CHEM
CHANGANGGEI, Opp. IMPHAL TULIHAL AIRPORT
CONTACT : 0385-2455559 | 8414069061 | 8413036162